

ম্যান্মারগী জুন্টানা প্রিজনর চা-কয়া থাদোকখ্রে য়াঙ্গোনদা সাইলেন্ট ষ্ট্রাইক পাঙথোকখ্রে

নেপিটো, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

মিলিটরি কূগী মায়োক্তা চথুবা পোটেষ্টশিংদা ফাখিবা দেমোন্সট্রেটর চা-কয়া ম্যান্মারগী জুন্টানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থাদোকখ্রে। অমরোমদা এন্টি-কূ এক্টিভিষ্টশিংনা সাইলেন্ট ষ্ট্রাইক কৌখিবদগী য়াঙ্গোনদা দুকান অমসুং বিজনেস হাওসশিং থোঙ লোন্নখি অমসুং লন্বীশিংদা মী চৎনখিদে।

প্রিজনরশিংনা থন্না য়াওবা বস কয়া য়ুমশকৈশাগী অয়ূক্তা য়াঙ্গোনগী ইন্সেন জেলদগী থৌদোরকখি হায়না ইনমেটশিংগী উকিলশিং য়াওনা মদুবু উহৌবা কয়ানা ফোঙদোকখি।

প্রিজনর মশিং কয়া য়াম্না থাদোকখিবগে হায়বগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা ওথোরিটিশিংদগী কনফর্মেসন ফংখিদে। থাদোরকখিবশিং অদু প্রোটেষ্টকা মরী লৈননা ফাখিবশিং নুমিদাংদা ফাখিবশিংনি নৎত্রগা য়ূমদগী পোৎচৈ লৈবা থোক্লকপদা ফাগৎখিবশিংনি হায়না লিগেল এদভাইজরি গ্রুপ অমগী মেম্বরনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না পূন্না বস ১৫রোম জেলদগী থৌদোকখি। এক্টিভিষ্ট গ্রুপ এসিষ্টেন্স এসোসিএসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজনর্স (এ এ পি পি)গী মতুং ইন্না, মে ১দা পাঙথোকখিবা মিলিটরি কূ অদুগী মায়োক্তা চথুবা প্রোটেষ্টশিং লাকশিন্নবা মিলিটরিনা লৌখৎখিবা খোঙথাংদা য়ামদ্রবদা মী ২,০০০ ফাখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা থাদোকখিবশিংদুগী মনুংদা হৌখিবা থাদা ফাখিবা এসোসিএটেদ প্রেসকী জর্নেলিষ্ট থেন জো য়াওখি। এ পিগী রিপোর্টনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মহাকপু ফাখিবদু মথৌ তৌরিঙৈ মতমদা ওইবনা জজনা চার্জশিং অদু দ্রোপ তৌখি। ৱিটনেসশিংগী মতুং ইন্না প্রো-দিমোক্রেসি এক্টিভিষ্টশিংনা সাইলেন্ট ষ্ট্রাইক কৌখিবদগী লৈবাক অসিদগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি য়াঙ্গোনদা বিজনেস সেক্টরশিং থোঙ লোনখি অমসুং লন্বীদা গাড়ী চেনখিদে।

এক্টিভিষ্ট নোবেল ওংনা এজেন্সীদা হায়খি, নোংমখক্কী ওইনা থবক থৌরম পূম্নমক লেপকদবনি। লন্বীদা শা অমসুং মনা-মশিং য়োনবশিং থোক্লকখিদে, গাড়ীগী মখোল তাখিদে, শুপ্নগী উচেক-ৱায়াগী মখোল তাবা ফংই হায়না সিটি অসিগী ময়াঙ্গোন দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

ক্যকটাদা দিষ্ট্রিক্টকী ওজা অমনা ফোঙদোরকপদা, লন্বীশিং ইতাক তাকখি। লন্বীদা মী লৈনখিদে, শুপ্নগী ঈশিং থাবশিংগীদমক উখি। সাইলেন্ট ষ্ট্রাইক অদু মন্দলে সিটিদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা চহী ৭কী নুপীমচা অমা শিখ্রবা মতুং মথংগী নুমিত্তা পাঙথোকপনি।

কূ মতুংদা লেপ্তুনা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মীওই ২৭৫ রোমগী মনুংদা নুপীমচা অসিনা খ্বাইদগী চহী নৌরিবা মীশক্নি। লান্মীশিংনা নুপীমচা অসিগী অপোকপদা কাপ্পদা য়ূম মনুংদা মতম্বাক্তা ফল্লিবা মঙোন্দা পনখিবনি হায়না নুপীমচা অসিগী মচেনা ম্যান্মার নাও মিদিয়া আওটলেটতা ফোঙদোকখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুদা নুপা অনীসু নোংমৈনা পান্দুনা শিখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলড্রেন্স এজেন্সীগী ম্যান্মার ওফিসনা হায়, লাইভ এম্যুনিসন শীজিন্নবা য়াওনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অঙাংশিংগী মায়োক্তা লেপ্তুনা পোর্স শীজিন্নবা অসিনা ম্যান্মারগী অঙাংশিংদা শাথিবা চৈথেং অমা পীরে।

নোর্থ কোরিয়ানা শোর্ট রেঞ্জ মিসাইল ২ কাপখ্রে ৱাশিংটননা ৱারী শাননবা শেম-শাদুনা লৈ

ৱাশিংটন, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা শোর্ট রেঞ্জ মিসাইল অনী কাপখি হায়না য়ু এস অমসুং সাওথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী লৈঙাক লাকপা মতমদা পাঙথোক্লিবা অহানবা মিসাইল চাংয়েং অদুবু ৱাশিংটননা হকচিন্না লৌদবগা লোয়ননা প্যোংয়াংগা ৱারী শাননবা শেম-শাদুন লৈ হায়খ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী চাংয়েংশিং অদু য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী টেষ্টিং বেনশিংনা কোনশিন্দ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন সিনিয়র ওফিসর অনীনা ব্রীফিং কোল অমদা হায়খি।

সাওথ কোরিয়াগী জোইন্ট চিফস ওফ ষ্টাফ (জে সী এস)না হায়, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্তা নোর্থ কোরিয়াগী ৱেষ্ট কোষ্ট টাওন ওনচোনদগী ক্রুজ মিসাইল অনী কাপখি। জে সী এসকী ওফিসল অমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, টেষ্ট অমা পাঙথোক্কদৌরে হায়বগী সাইনশিং ফংখি অমসুং মতমদুদগী মোনিটর তৌখি। জে সী এসনা মমাঙদসু নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র বোম অমসুং বালিষ্টিক মিসাইলশিংগুম্বা এদভান্স ওইরবা খূৎলায়শিংগী চাংয়েংশিং রিএল টাইমদা রিপোর্ট তৌখি। তৌইগুম্বসুং লাৱর গ্রেদকী খূৎলায় চাংয়েং খরদি রিএল টাইমদা রিপোর্ট তৌখিদে। নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল লোঞ্চ অদু বাইদেননা জন্যুৱারীদা ওফিস পায়বা হৌখিবা মতুংদা পাঙথোকপা অহানবনি।

তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট বাইদেননা টেষ্ট অদুবু লুনা লৌদবগী মওংদা অহোংবা ইরাক লাকপা উদে হায়খি। য়ু এসকী সিনিয়র ওফিসল অমনসু মদু নোর্মেল টেষ্টিংনি হায়রদুনা মদুবু হেন্না লুবা থৌদোক ওইহন্দনবা চেকশিনৱা হায়খি। ৱাশিংটন পোষ্টনা ইহান হান্না রিপোর্ট তৌখিবা টেষ্ট অদুগী মতাংদা পেন্টাগোননা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে। নোর্থ কোরিয়াগী য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা মিসননসু কম্মেন্ট পীরকখিদে।

চাইনাগী রেস্পোন্সতি মহৌশাগুম্না পার্টি খূদিংমক্তা দাইলোগ অমসুং কন্সলটেসন মখা তানা চথনবা অমদি মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা পূন্না থবক তৌমিন্ননবা আপীল তৌখি।

নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খূৎলায় পায়হন্দনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ এন্টোনি ব্লিঙ্কননা সিওলদা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরিগা লোয়ননা লৈরিঙৈদা ফোঙদোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা মিসাইল চাংয়েংশিং পাঙথোক্লিবনি।

ৱারী মখা চথনবা য়ু এসনা দিপ্লোমেটিক সর্কলশিংগী খূথাংদা হৌদোকপদা নোর্থ কোরিয়ানা য়াদদুনা লাকপনি। য়ু এসকী সিনিয়র ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, এদমিনিষ্ট্রেসন্না চথরকপা নোর্থ কোরিয়া পোলিসি রিভিয়ুগী থবক অরোইবা তাঙ্কক য়ৌরক্লে অমসুং মদু মীচঙশিং ওইরিবা জপান অমসুং সাওথ কোরিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরশিংগা লোয়ননা মথং চয়োলদা য়ু এসনা থৌবু ওইদুনা পাঙথোকপা মীফমদা খন্নরগনি।

ইটালিগী হান্নগী পি এম বর্লুস্কোনি হোস্পিটালদা লৈরি

রোম, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

ইটালিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সিলভিও বর্লুস্কোনি নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হোস্পিটালদা লৈরক্লি অমসুং মহাক মতম খরা মীয়ামগী ফঙ্কসনশিংদা য়াওবা ঙমখিরোই হায়না ছোর্স অনীনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৮৪ শুরবা মিদিয়া টাইকুন অদু করিগীদমক্তা হোস্পিটালাইজ তৌখিবনো হায়বা শেংনা খঙদ্রবসু হীরম অসিগী মতাংদা খঙবা ছোর্স অমনা মদু অরুবা নত্তে হায়খি।

বর্লুস্কোনিগী ফোর্জা ইটালিয়া পার্টিগী ছোর্স অমনা হায়, মহাক হোস্পিটালদা পুখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা মিলান সিটিগা নক্লবা অপীকপা টাওন অমা ওইরিবা অর্কোরদা লৈরকখি। মতম খরা পোত্থাবা মথৌ তাই। বর্লুস্কোনি য়ূমশকৈশা নুমিত্তা মিলানগী কোর্ট অমদা চত্থখিবা মহাক চেন্নবা কেস অমগী হীয়ারিংদা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

হৌখিবা থাদা হান্নগী পি এম অসি হার্ট প্রোব্লেমগা মরী লৈননা শোনাকোদা হোস্পিটালাইজ তৌখি। মদুগী মমাঙ সেপ্টেম্বরদা মহাক কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনদা হিংহৌখি। মদুবু বর্লুস্কোনিনা মহাক্কী পুন্সিগী খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা শীংনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক কুমজা ২০১৬তা হার্ট সর্জরি তৌখি অমসুং প্রোষ্টেট কেন্সরসু নাখি। কোভিদ-১৯দগী ফরকখিবা মতমদু মহাক সাওথইষ্ট ফ্রান্সকী প্রোভেন্সতা লৈবা মহাক্কী মচানুপী মরিনাগী য়ূমদা লৈখি।

য়ুট্যুবনা মাস সুটিং ভিদিও লৌথোক্লোই হায়খ্রে

সান ফ্রান্সিস্কো, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

য়ু এসকী কোলোরাদো ষ্টেটকী বুল্ডরদা নোংমৈ কাপ্তুনা পাক্তক্লনা মী হাৎখিবগী লাইভষ্ট্রিম তৌখিবা ৱাথোক ওইরবা ভিদিও লৌথোক্লোই হায়না গুগলনা চল্লাইবা য়ুট্যুবনা হায়রি।

টেক্নোলোজি ন্যুজ ৱেবসাইট দ ভর্জগী মতুং ইন্না, ভিদিও অদু প্লেটফোর্ম অসিগী ন্যুজ অমসুং দোক্যুমেন্টরি কভরেজ রুলশিংনা কোল্লি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুবু উখিবা মীওই অমনা লৌখিবা থৌদোক অদুগী ভিদিও অদু ঐখোয়গী টিমশিংনা থেংনরকখি। অউবশিংবু থুক্কৎহনগদবা নৎত্রগা কি-হঙ্গৈহনগদবা কন্টেন্ট য়ুট্যুবতা উৎপা য়াহন্দ্রবসু ন্যুজ নৎত্রগা দোক্যুমেন্টরি মতিক চানা য়াওবা ভিদিওশিংদি থাবা য়াহল্লি।

ভর্জনা য়ুট্যুবকী স্পোক্সপার্সন ইলেনা হর্মান্দেজগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, কন্টেন্ট অদুদা চহীগী রেষ্ট্রিক্সন থমখ্রে, করি ফিভম লাকপগে হায়বদু মখা তানা য়েংশিনখিগনি।

লাইভষ্ট্রিম অদু বুল্ডরদা লৈবা কিং সুপর্স সুপর মার্কেটকী অকোয়বদগী ব্রোদকাষ্ট তৌখি। লাইভষ্ট্রিম ব্রোদকাষ্ট অদু মীওই ৩০,০০০ রোম্না য়েংনখি অমসুং মদু মতুংদা ভিদিও অদু ৫৮৫,০০০ রক য়েংনখ্রে।

এটেক হৌখিবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদনা ষ্ট্রিমর, দিন সিলরনা সুপর মার্কেট অদুগী মনুংদা রেকোর্দিং হৌখি। পুলিসনা মঙোন্দা মফমদু থাদোক্নবা হায়জরবসু মহাক্না মখা তানা মপান্দগী রেকোর্দিং চথখি।

সিলরনা মমাঙদা মহাক সিটিজন জর্নেলিষ্ট অমনি হায়না শক্তাকচখি। কুমজা ২০১৯দা মহাক অমসুং অতোপ্পা ভিদিওগ্রাফর অমবু বুল্ডর কাওন্টি জেলগী অকোয়বা ফিল্ম নম্বগীদমক্তা ফাখি। মদু পুলিসকী অরানবা থবক থৌওংশিং উৎপা ভিদিও কয়া পরিং নাইনা মীয়াম্না য়েংনখিবা মতুংদনি। ভিদিও কম্মেন্টর খরনা সিলরবু ইমর্জেন্সি নম্বর দাইল তৌদবগী নৎত্রগা বিল্ডিং অদুদগী চেন্থোক্লরিবা মীওইশিংদা মতেং পাংদবগীদমক্তা চৈখি।

চাইনানা পেলেষ্টিনিয়নশিং, ইজরেলিশিং ৱারী শানহন্নবা থৌরাং তৌরি

দুবাই, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা ইজরেলিশিং অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিং ইনভাইট তৌদুনা চাইনাদা ৱারী শানহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না অল-অরাবিয়া টি ভি চেন্নেলনা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোক্লি।

দুবাইদা বেজ তৌবা চেন্নেল অসিগী ইন্টরভিয়ু অমদা মিদ্দল ইষ্টকী খোঙচত্তা লৈরিবা ৱাংনা য়েমেনগী লান লোইশিন্নবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাওদি অরাবিয়ানা লাউথোরকখিবা ৱাফম অমসু শৌগৎখি। চাইনানা মমাঙদসু ইজরেলিশিং অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তগা ৱাতেমবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মহুৎ শিনবা য়াগদবা মওংদা ৱারী শানহনবগী থৌরাং হঞ্জিন হঞ্জিন হৌদোকখি।

ৱাংনা পেলেষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেলি লীদরশিং ইনভাইট তৌদুনা চাইনাদা ৱারী শানহনবগী ৱাফম হৌদোক্লদুনা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিং য়াওগদ্রা হায়বগী মতাংদদি শেংনা পনখিদে। য়েমেনগী মতাংদা ৱাংনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা সাওদি অরাবিয়ানা হৌদোরকখিবা থৌরাং য়াম্না থুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌহনবা পাম্মী হায়খি।

সাওদি পীছ ইনিসিএটিভ অদুদা লৈবাক শীন-থুংনা সীজফায়র লাউথোকপা অমসুং হৌথি গ্রুপ্না কন্ট্রোল তৌবা য়েমেনগী অতৈ মফমশিংদা এয়র অমসুং সি লিঙ্কশিং নৌনা অমুক লৈনহনবগী ৱাফম য়াওরি। অদুম ওইনমক ইরানগা মীচঙ ওইনবা গ্রুপ অসিনা ইনিসিএটিভ অদুদা মখোয়গী দিমান্দ খরা থুংহনবগী ৱাফম য়াওদে হায়খি।

ইজরেলগী পি এম নেটনয়াহু মেজোরিটি ফংবা ঙমদবগী ফিভম লৈরে

জেরুসালেম, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু মখা তানা পাৱর পায়নবগীদমক মহাকপু শৌগৎপা এম পিশিংগী মশিং শুহন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইবা য়াই হায়বসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মীখলগী মপূং ফাদ্রিবা রিজল্টশিংনা উৎখ্রে।

অমরোমদা, চহী অনীগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা মীখল অদুদা মহাক্না মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

নেটনয়াহুনা মীখল অদুদা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌরিবদু ইজরেলগী মরু ওইবা টি ভি চেন্নেল অহুমগী এগজিট পোলশিংগী মতুং পূং অনীরোমগী মনুংদনি। পোলশিং অদুদা মীখল অদুদা তাংদাংবা ৱিন্নর লেপ্পা য়াবগী ইঙ্গিৎ ফংখিদে।

নেটনয়াহুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা ত্বিটরদা ইরদুনা মহাক্কী লীচিং মখাদা রাইট ৱিং অমুং লিকুদ পার্টিনা চাওনা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌখি। মহাক্না হায়খি, মহাক্কী রাইট ৱিং লিকুদ পার্টিনা ইজরেলগী খ্বাইদগী চাওবা পার্টিনি হায়খি। পোলশিংদা পার্টি অসিনা সিট ৩১ রোম ফংগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংবদগী খঙবা ঙম্লে।

ভোট চাদা ৯০ রোম মশিং থিবা লোইবদা মহাক্কী রাইট-ৱিং ব্লোকনা সিট ৫৯ ফংবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংখি। সিট মশিং অসিদগী হেন্দবা তারবদি মেজোরিটি ফংগদবা সিট অনী ৱাৎকদৌরিবনি।

ঙক্লিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমদা সিট মঙা ফংবা য়াই হায়না প্রোজেক্ট তৌরিবা অরাব পার্টি অমনা লৈঙাক শেম্বদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরবা য়াই। মীখলগী অরোইবা রিজল্টনা ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরী করি ফিভমদা লাকপা য়াই হায়বদু লেপকনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি রাম কৌবা অরাব পার্টি অদুনা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মহৌশাগা মান্নদবা মীচঙ ওইবা য়াবা নেটনয়াহুবু শৌগৎকদ্রা নৎত্রগা মহাক্না মখা তানা ওফিস পায়বদা য়াদবা ব্লোক অদুগী মীওইশিং শৌগৎকদ্রা হায়বসি লাউথোরক্ত্রি।

খ্বাইদগী নৌবা টেলিগী মতুং ইন্না, পার্টিশিং অদুনা সিট ৫৬ ফংখ্রে অমসুং রামনা শৌগৎলকপা তারবদি গভর্ণমেন্ট শেম্না য়াবা মশিং মতিক চানা লৈগদবা ওইরবসু মখোয় মশেল খায়বুং খায়বুং তানৈ অমসুং পূন্না থবক তৌমিন্নবা য়াবগী মওংদা লৈতে।

গ্রুপিং অমত্তনা মেজোরিটি কোলিসন অমা শেম্বা ঙমদবা তারবদি লৈবাক অসি কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল মতুংদা ৫শুবা মীখল মায়োক্নরকপা য়াই হায়খি।

কোলিসন্না য়েমেনগী হোদৈদা হিথাংফমদা ফ্যুএল পুবা জহাজ মরি খামহনখ্রে

দুবাই, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

সাওদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না রেদ সিদা লৈবা য়েমেনগী হোদৈদা হিথাংফমদা ফ্যুএল জহাজ মরি খাম্বগী অয়াবা পীখ্রে হায়না ছোর্স অনীনা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা এয়র অমসুং সিগী অথিংবা লৌথোক্লবদি সিজফায়রগী প্রপোজেল য়াগনি হায়না হৌথি গ্রুপ্না ফোঙদোরকখিবা মতুংদা কোলিসন্না হিথাংফম অদুদা ফ্যুএল জহাজশিং অদু খামহনখিবনি।

ভেসেল মরি অদুদি পূন্না গ্যাস ওইল টন ৪৫,০০০ পুবা জহাজ ২, লিক্বিফাইদ পেট্রোলিয়ম গ্যাস টন ৫,০০০ য়াওবা জহাজ অমা অমসুং ফ্যুএল ওইল টন ২২,৭০০ য়াওবা টেঙ্কর অমনি। ভেসেল মরিমক কোলিসনদগী ক্লিয়ারেন্স ফংখি হায়না ছোর্স অদুনা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশগী অয়ূক ফাওবদা ভেসেল মরি অদু কোলিসনগা লান্থেংনরিবা ইরানগা মীচঙ ওইনবা কোলিসন্না কন্ট্রোল তৌরিবা হোদৈদা হিথাংফমদা চঙশিনখিবা লৈতে।

সাওদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা য়েমেনগী দেপ্যুটি ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নাসর শরিফনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা, হীদাক-লাংথক অমসুং চান-থক্লবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক্তা থাও পুবা জহাজ কয়া হোদৈদা হিথাংফমদা খাম্বা য়াহল্লে। মহাক্না মখা তাবা অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

হৌথি চীফ নিগোসিএটর মোহম্মদ অব্দুল সলামনা ফোঙদোকখিবদা, থাও, চান-থক্লবা পোৎলম, হীদাক-লাংথক অমসুং তঙায় ফদবা পোৎলমশিং হায়বসি য়েমেনগী মীয়ামগী হ্যুমেনিটরিয়ন অমসুং লিগেল রাইটনি। পোৎশকশিং অসিবু মীয়ামদা ফংহনবগী মতাংদা মিলিটরি নৎত্রগা পোলিটিকেল কন্দিসন অমত্তা ঐখোয়না য়ারোই।

য়েমেনগী হিথাংফমশিং থিংজিনবা হায়বসি মালেমগী খ্বাইদগী শাথিবা হ্যুমেনিটরিয়ন দিজাষ্টরগী মরু ওইবা হৌরকফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

কোলিসনগী ৱারশিপশিংনা মার্চ ২৩ ফাওবদা হোদৈদা মনাক্তা য়ু এন ক্লিয়ারেন্স য়াওবা ফ্যুএল টেঙ্কর ১৪ থৎলগা থমখি হায়বসি য়ু এন দেটোনা উৎখি। জহাজ খরদি হিথাংফম অদুদা চঙনবগীদমক থা ৬ ঙাইখি। থা কয়া ঙাইরক্লবা মতুংদা অতোপ্পা জহাজ মরি হনখি।

কুমজা ২০১৫দগী হৌথিশিংগা লান্থেংনরক্লিবা কোলিসন অমা লুচিংলিবা সাওদি অরাবিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সিজফায়র দীল অমা ওফর তৌখি। মদুদা সানা এয়রপোর্ট নৌনা হোংদোকপা অমসুং হোদৈদা হিথাংফমগী খূথাংদা ফ্যুএল অমসুং ফুদ ইম্পোর্টশিং য়াহনবা য়াওরি। অমরোমদা, সাওদি ওফর অদুদা এয়র অমসুং সী ব্লোকেদ মপূংফানা লৌথোক্কদবনি হায়বা মখোয়গী দিমান্দ অদু পন্দে হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।

ক্যুবাগী অপূনবা মীশিংগী তঙ্খায় হেন্না ভেক্সিন কাপকনি

হভানা, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

ক্যুবানা লৈবাক অসিদা পুথোকচবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং শীজিন্নদুনা ওগষ্ট ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৫০ হেন্না ভেক্সিন কাপকনি হায়না সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঈথৎ লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ পব্লিক হেল্থতা লৈবা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিকেল ইন্নোভেসনগী দিরেক্টর এলিনা মোরালিসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা ওগষ্ট থা ফাওবগী মনুংদা মীওই মিল্লিয়ন ৬ হেন্না ভেক্সিন কাপ্নবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

জুন অমসুং জুলাইগী মরক্তা ঐখোয়না সিনিয়র সিটিজন মিল্লিয়ন ২.২ রোম লোয়ননা মেদিকেল ৱর্করশিং অমদি মশাদা হান্নদগী লায়না চেল্লকশিং কাপকনি।

করিবিন লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মেন্যুফেকচররশিংনা ক্যুবাগী সেন্টর ফোর ষ্টেট কন্ট্রোল ওফ মেদিসিন্স, ইক্বিপমেন্ট এন্দ মেদিকেল দিভাইসেসতগী ইমর্জেন্সিদা ভেক্সিন শীজিন্ননবগী অয়াবা লৌনবসু এপ্লায় তৌবা য়াই হায়না মোরালিসনা মখা তাখি।

হৌজিক হৌজিক ক্যুবাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কেন্দিদেট অনী অহুমশুবা তাঙ্কক্কী ক্লিনিকেল চাংয়েং চথরি। চাংয়েং অদুদা লৈবাক অসিগী কেপিটেল অমদি নোংপোক থংবা প্রোভিন্স অহুম সান্টিয়াগোদি ক্যুবা, গুৱান্টানামো অমসুং গ্রান্মাগী পার্টিসিপেন্টশিং য়াওরি।

মীশিং মিল্লিয়ন ১১ হেন্না লৈবা ক্যুবা অসি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টশিং হাংদোক্লবদগী কোভিদ-১৯ কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 24th March, 2021

No. Prop/SR/IW/2021: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Elangbam Sagei Committee"** on 23/03/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Keishamthong Elangbam Leikai**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/7093/25

মার্সতা অহানবা ওইনা হেলিকোপ্টর ফ্লাইট পাইহল্লগনি: নাসা

ৱাশিংটন, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

নাসানা এপ্রিল ৮ দা মার্স প্লানেটতা ইনজেনুইটি মিনি হেলিকোপ্টর পাইহন্নবা হোৎনরগনি। হৌজিক হৌজিক পার্সিভরেন্স রোভরগী মবুক্তা নপ্লগা লৈরিবা মিনি হেলিকোপ্টর অদুবু পাইহনগদৌরিবদু অতোপ্পা প্লানেট অমদা অসিগুম্বা পোৎশক অমা পাইহন্নবা হোৎনবা অহানবনি।

অদুমওইনমক কেজি ১.৮ লুম্বা রোটোক্রাফট অদুনা অহানবা কন্ট্রোল ফ্লাইট পাঙথোক্নবা হোৎনদ্রিঙৈগী মমাংদা মদুদা শরুক য়াগদৌরিবা টিম্না পরিং নাইনা তৌগদবা তরাই তরাইবা নত্তবা থবক কয়া লৈরি।

কুমজা ১৯৯৭ দা নাসাগী সজের্নর রোবর মার্সতা থুংখিবা মতমদা রেদ প্লানেট অসিদা অসিগুম্বা ভেহিকল শীজিন্নরগা চৎপা য়াই হায়বসি প্রুভ তৌখিবগা লোয়ননা ঐখোয়না করম্না প্লানেট অসিবু থিজিনগদগে হায়বগী মতাংদা অনৌবা ৱাখল অমা লাকহনখি। মান্নবা মওংদা ইনজেনুইটি মিনি হেলিকোপ্টর অসিনা তুংগী ঐখোয়গী রিসার্চতা করি কান্নবা পীরকপা য়াবগে হায়বসি ঐখোয়না খঙবা পাম্মী হায়না নাসা হেদক্কাটর্সকী প্লানেটরি সাইন্স দিভিজনগী দিরেক্টর লোরি গ্লেজনা ফোঙদোকখি। কন্ট্রোল তৌরগা মার্সতা পাইবা হায়বসি আর্থতা পাইবদগীদি য়াম্না হেন্না লুবা ওই। রেদ প্লানেট অসিগী গ্রেভিটি আর্থকী গ্রেভিটিগী শরুক অহুম থোকপগী অমরোমনি অমসুং মসিগী এটমোসফ্যেরনা আর্থকী লৈমায়দা লৈরিবা কুংবগী চাংদগী শুপ্নগী চাদা অমত্তনি।

কোলোরাদোগী মীহাৎ বাইদেননা কন্দেম তৌখ্রে গন রিফোর্ম বিল পাস তৌনবা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ২৪ (এজেন্সী):

য়ু এস ষ্টেট কোলোরাদোগী বুলদরদা লৈবা গ্রোসরি দুকান অমদা থোকখিবা মীওই ১০ শিখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং হন্দক্তা হাউসনা পাস তৌখিবা গন রিফোর্ম বিল্ডিং খূদক্তা পাস তৌনবা মহাক্না সিনেটতা তকশিনখ্রে।

কোলোরাদো ষ্টেটতা মীওই ১০গী পুন্সি লোমখ্রে, গন ভাইওলেন্সনা ইমুং কয়া অৱাবা তাহল্লে। শাথিবা থৌদোক অদুনা ফর্ষ্ট লেদি জিল অমসুং ঐহাক্কী থম্মোয় কাইহল্লে হায়না বাইদেননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হ্বাইট হাউসতগী ফোঙদোরকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিলদা সুটর অমনা কোলোরাদোগী বুলদরদা লৈবা কিং সুদর্স গ্রোসরি ষ্টোরদা নোংমৈ কাপখি অমসুং মদুদা মীওই ১০ শিখি। শিখিবশিং অদুগী মনুংদা পুলিস ওফিসর অমা য়াওখি। মহাক থৌদোক অদুদা ইহান হান্না রেস্পোন্দ তৌখিবা পুলিস ওফিসরনি।

সুটর অদু অহমদ অল অলিৱি অলিসা কৌবা মশাগী চহী ২১ শুরবা মীশক অমনি হায়বসি থৌদোক অদুগী মথংগী নুমিৎ লৈবাকপোকপদা খঙখি।

শাথিরবা থৌদোক অদু জোর্জিয়াগী এটলান্টাদা থোকখিবা মীওই নিপাল শিখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমগী মতুং চয়োল অমা ফাদ্রিঙৈদা থোক্লিবনি। এটলান্টাগী থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই কয়া এসিয়াদগী হৌরকখিবা নুপীশিংনি।

মশাগী চহী ৫১ শুরবা লৈখিদ্রবা পুলিস ওফিসর ইরিক টেলিদা নত্তনা অতৈ ভিক্টিম মাপলসু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্তা পুলিসনা আইদেন্টিফাইদ তৌখি।

মীহাৎপগী খূৎতা পুন্সি লোমখ্রবা পুলিস ওফিসর অদুনা উৎখিবা থৌনা অদুবু থাগৎপগা লোয়ননা বাইদেননা সিনেটতা হন্দক্তা হাউসতা এপ্রুভ তৌখিবা গন রিফোর্মগী বিল অনী খূদক্তা পাস তৌনবা তকশিনখি। বেকগ্রাওন্দ চেক সিষ্টেমগী অশোয়বশিং চুমথোক্লগদবা হাউসনা পাস তৌখ্রবা বিল অনী সিনেটনা খূদক্তা পাস তৌগদবনি। বিলশিং অসি হাউসতা রিপব্লিকানশিং অমসুং দেমোক্রেটশিং অনীমক্না শৌগৎখি। মসিগী মতাংদা ভোট লৌনবদা পার্টি খেন্নবদা য়ূম্ফম ওইবা য়ারোই। মসি অমেরিকান ইস্যু অমনি। মসিনা অমেরিকানশিংগী থৱায় কনগনি হায়না বাইদেননা মখা তাখি।

থা অসিগী অঙনবদা হাউসনা বাইদাটিসন বেকগ্রাউন্দ চেক্স এক্ট অমসুং ইনহেন্স বেকগ্রাউন্দ চেক্স এক্ট পাস তৌখি। বিল অনীমক পার্টিগী য়েংলগা ভোট পীনখি। রিপব্লিকান অয়াম্বনা বিলশিং অদু শৌগৎখিদে।

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-IX, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 70/AS&SO-IX/2021

1. Md. Anjeb Ali S/o (L) Nasib Ali of Lilong Haoreibi Chandrakhong.
2. Md. Nawaj Khan S/o (L) -do- of -do-
3. Mrs. Parijan Bibi D/o (L) -do- of -do-
4. Amita D/o (L) -do- of -do-
5. Shahinaz D/o (L) -do- of -do- -Petitioners

-Vrs-

Late Nasib Ali S/o Ibe Bibi of Haoreibi Makha Leikai.
-Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

Dt. 18/03/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ১৫- হাওরৈবী পাট্টা নং. ২৫৮, ২৬০ অরিবা ৩৫২ অনৌবা, দাগ নং ২০২১, এরিয়া .১৮৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারীশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৩/৪/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/-Assistant Survey & Settlement Officer-IX, Manipur

HL-P/9389/25